CS (Main) Exam : 2014

C–DRN–N–L–OBOB

# MANIPURI

## PAPER—II

## ( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

## QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE question from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in chronological order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুন্মু : 10×5=50

*(a)* ‘নুমীৎ কাপ্পা’গী মিংথোল্গী নীংথিজবা অদু নৈনদুনা ইয়ু।

*(b)* ‘সম্সোক্ ঙম্বা’দ গরীবনিৱাজগী করম্ করম্না পুক্চেল্ চাউবগী মতৌ উবা ফংবগে? শন্দোক্পা ৱারোল্ পীদুনা ইয়ু।

*(c)* ‘রামায়ণ আদি কান্দ’গী মরু ওইবা রস অদু শন্দোক্লা নৈনদুনা ইয়ু।

*(d)* লৈমা ভানুবু ধনঞ্জয়গী পুন্সিগী মতীক্ চাবী লোয়নবী অমা ওইবগী গুণশিং শিংথাদুনা ইয়ু।

*(e)* ‘চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙ্বব’দা য়েকলিবা পাউদম্বগী হৈ-শিংবা অদু শিংথাদুনা ইয়ু।

মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *350* দগী হেন্দনা খুন্মু :

**2.** *(a)* পাম্থোইবীবু লম্কেৎ লম্হাইবী, মনেম্ মকুনা হায়বা ইন্দবী খাবগী য়ুম্গী মৌ অমা ওইনা য়েক্পগী মরম্ শন্দোক্লা তাকউ। 20

*(b)* মৈদিংঙু গরীবনিৱাজ মথৌনা মরিংজেল লৈবা অৱাশিংবু মায়থিবা পীবা ঙম্বা নিংথৌনি হায়বসি ‘সম্সোক্ ঙম্ব’দা য়ুমফম ওইরগা নৈনৌ। 15

*(c)* ‘পাম্থোইবী খোঙ্গুল’দা উবা ফংবা মতম অদুগী সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী মশক মপুংফানা নৈনৌ। 15

**3.** *(a)* ‘থৱান থাবা হিরান’দা অকন্বা পুক্চেল্গা লোয়ননা লম্মন্ খুম্নীংবগী অখাবা লিংজেন্ চেন্বা নিংথৌশিংগী শক্তম্ শাগৎলি হায়বসি শন্দোক্লা নৈনৌ। 20

*(b)* ধনঞ্জয়বু হীরি কোন্না লাইনীংবা ঙম্বা অথোইবা চরিত্র অমগী শক্তম্ ওইনা মরীক্ চুম্না শীংথাদুনা ইয়ু। 15

*(c)* ‘নাউথিংখোংনা ফম্বাল কাব’দা করি করম্না থৌশিলশিংনা মরু ওইখিবগে? মরম্ চাবা ৱাফমশিং পীদুনা নৈনৌ। 15

**4.** *(a)* ‘নাউথিংখোং ফম্বাল কাব’দা পীতঙ্ঙানা থেংনখিবা অৱাবশিং করি মরমদগীনো? শন্দোক্লা নৈনৌ। 20

*(b)* ‘নুমীৎ কাপ্পা’দা শাগৎলিবা এল্লিগোরিগী খূৎই অসিদা উবা ফংলিবা ফোঙ্দোক্পগী হৈ-শিংবা অদু মরীক্ চুম্না নৈনদুনা ইয়ু। 15

*(c)* ‘থৱান থাবা হিরান’দা মতম অদুগী লৈঙাক্লোনগী করম করম্না মশক উবা ফংবগে? লৈবাক্কী থৌশিলদা নুপীগী ফিভম নৈনদুনা তাকউ। 15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

*(a)* 'কমল'দা হায়বা শৈরেং অসিদা কমলবু নিংশিংদুনা করম্না তেংথারিবগে? ইয়ু।

*(b)* 'কংস বধ' কাব্যগী মরু ওইবা রস অদু শন্দোক্লা ইয়ু।

*(c)* 'মাধবী' উপন্যাসতা অনা লোয়রবী থম্বাল্না মপুরোইবা নোবিন্বু 'স্বর্গগী দূত' অমদি 'প্রেতমূর্ত্তি' ওইনা লৌখিবগী মরমশিং অদু মপুংফানা ইয়ু।

*(d)* 'কমলা কমলা' হায়বা ৱারীদা হরিদাসনা কমলা কমলা হায়না অঙাওবগুম শোনগ্রিবগী মরম শন্দোক্লা ইয়ু।

*(e)* মীওইবা সামাজিক জীবা অমনি হায়বসি 'সমাজ অমসুং সংস্কৃতি'গী ৱারেংদা পীরিবা ৱাফমশিংনা পুখৎতুনা উৎলু।

মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *350* দগী হেন্দনা খুম্মু :

**6.** *(a)* 'ঈঙাগী নোংবু' মতম্গী পুন্সিগী হক্থেংনবা মশক্ কয়া করেম্নদুনা য়েক্পা খুৎই অমা ওইনা শন্দোক্লা নৈনৌ। 20

*(b)* 'কংস বধ'দা তাইবং মীওইবদা ঈশ্বরগী লম্বী উৎননবা হোৎনৈ অমদি কংসবু কাউওমদ্রবা চরিত্র অমা ওইনা য়েক্ই হায়বসি মরীক্ চুম্না নৈনদুনা ইয়ু। 15

*(c)* 'জজ্জ সাহেবকী ইমুং'দা ত্রেদিশন অমসুং মোদর্নিতি অনী মরুবগী মশক করম্না ড্রামাতিস্তনা শাগৎপগে? মমৃৎ তানা নৈনৌ। 15

**7.** *(a)* অরুণা অমসুং মপুরোইবা দামুদর অসি আইদিয়া (idea)ন মুর্ত্তি পান্দুনা শেমগৎলকপা চরিত্র অমমম্ ওইনা মপুংফানা নৈনদুনা তাকউ। 20

*(b)* 'মাধবী' উপন্যাসতা উরীরৈনা মতা মাধবীবু মীনি হায়না থাজবা গুম্মক্তদুনা হৈবোক্ লাইরেম্বী ওইনা লৌরক্খিবগী মরমশিং অদু মরীক্ চুম্না নৈনদুনা ইয়ু। 15

*(c)* 'শামুখোংগী বিচার'দা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমগী চৎনবী ৱায়েন বিচার কয়া য়াম্না মপুংফানা উৎপগে? শন্দোক্লা তাকউ। 15

**8.** *(a)* 'ৱানোম্ শরেং'দা ৱারীগী অরোইবদা কাউওমদবা শাফু অমা পীদুনা অপাবশিংদ সমস্যা শিন্নদুনা থনম্মী হায়বসি শন্দোক্লা নৈনৌ। 20

*(b)* 'খম্বা থোইবীগী ৱারী অমসুং মহাকাব্য'দা ৱারেংবনা খম্ব থোইবীগী ৱারীবু মহাকাব্য অমা ওইনা করম্না নৈনবগে? মপুংফানা শন্দোক্লা তাকউ। 15

*(c)* 'মেত্রিক পাশ'কী থারিকথা অমসুং মাগা ৱাখল মান্নবা মীওইশিংদা জি. সি. তোংব্রানা সমাজগী করম্বা ৱাখল্লোনগী মশকপু করেম্নদুনা উৎলিবগে? শুগায়না নৈনৌ। 15

★★★